# লৈবাক্কী অৱাবদগী লৈঙাক থুগায়নবা কেম্পনা লুম্না লৌরিবসি লাইবক থিবনিঃ ও মালেস

ইম্ফাল,জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ লৈবাক মীয়াম্না নোং চুন্দবদগী লৌ পানবা য়াদদুনা অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লিবা মতম অসিদা লৈঙাক থুগায়গনি হায়দুনা এম এল এ মিনিষ্টরশিংনা দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈবা অসি লাইবক থিবনি হায়না এন ই আই দি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ও মালেসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি হিয়াংথাং লৌকোলদা নোং চুন্দুনা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌমীশিংদা ঈশিং পম্প শিজিন্নদুনা ঈশিং চিংদুনা লৌবুক্তা ঈশিং পীবগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ও মালেসনা মখা তানা হায়, মীয়ামগীদমক থবক তৌগনি হায়না ৱাশক্লগা কাখিবা এম এল এশিংনা মীয়াম্না অসি য়ৌনা ৱানা হা কার লাওরবা মতম অসিদা লৈঙাক থুগায়নবগীদমক দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা তুমদুনা চাদুনা লৈরি। মসিমক য়াম্না লাইবক থিবনি। মখোয়না তৌরিবা অসি করিনো হংনিংই।

মখোয় মীয়াম্না লুৱা লৈঙাক শেঙ্গনা লুৱা, চাক য়াওদ্রবা মতমদা লৈঙাক শেঙ্গা য়াগদ্র হংনিংই। মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা কেম্প অদু মতম খরা লেপ্লগা মীয়ামগী অৱাবা অসিদা শরুক য়াবা চংই।

লৌ উবা, ফৌ হুনবা হায়বসি অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা তৌগদবনি। জুলাই থা অসি হেক হেনদোকখ্রবদি লৌ উবা য়ারোইদৌরিবনি। মরম অসিনা মথংগী চহীদা করি চারগা হিংগনি। মরম অসিনা মীপান তাংবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

মীয়ামগী অৱাবা অসি থেংনবদা পোলিতিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা পুন্না চঙশিনমিন্নরসি। দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা বিল্ডিং মনুংদা ফল্লগা তেবলদা ফল্লগা হার য়েনবা, ঈশিং পীবা নত্তবীদা মিনিষ্টরদগী দাইরেক্টরদগী ওফিসিয়েলশিং পূম্নমক অসি লৌমীশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবা মতম ওইরে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হিয়াংথাং অৱাং লৌকোল অসি ইকং থোকপনা মরম ওইরগা লৌ পানবা য়াদবা ফিভম অমা লাকপদগী ক্লব অমসুং লৌমীশিং পুনলগা ৱাইশেল মরিলদা পম্প ৩–৪ থাদরগা লৌ পানবা য়াদনা লৈরিবা মফম অসিদা ঈশিং চিংবা অসি ঙরাং দগী হৌনা চংশিনবা হৌরকপনি।

মসি পোলিটিক্সকী ৱাফম নত্তবীদা মীয়ামগা লোয়ননা অসিগুম্বা অৱাবা ফিভম অসি পুন্না থেংনমিন্নবা তঙাইফদে। লৌবুক্তা পোলিটিক্স তৌবা অসি তৌফম থোক্তে। এম এল এ অমসুং মহাক্কী মীহুৎশিংনা লৌমীশিংদা হার পীবা মতমদা ঈশিং পীরিবা অসি পাউচেদা কয়া পীখ্রে। অদুবু ইম্ফালদগী য়াম্নসু লাপ্পা নত্তবা মফম অসিদা নোং চুদবদগী অমসুং পম্প পীবিদবদগী লৌবুকশিং হাংলগা পুমকং কংদুনা কনানসু য়েংশিনবীদনা লৈরিবা অসি অঙকপা ফাওই হায়খি।

হিয়াংথাং অৱাং লৌকোলগী ফার্মর ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম তোম্বীনা হায়, হিয়াংথাং অৱাং লৌকোলদা ঈশিং ফংদদুনা লৌ পানলবসু কান্নরোইদবা ফিভম অমা লাকপ অসিদগী এম পি সি ক্লব, হিয়াংথাং মমাঙ লৈকাই, এস দব্লিউ সি অমসুং মল্টিপর্পজ ক্লব অহুমনা পুনলগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ঈশিং চিংবদা অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোকহনবীনবা হায়জবদগী মতেং পাঙবীরকপনি। মসিগীদমক ও মালেসপু থাগৎপা ফোঙদোকই হায়খি।

# ‘স্বামী সিবানন্দদগী তম্নিঙাই য়াম্না লৈরি’

ইম্ফাল,জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ স্বামী সিবানন্দ মহারাজদগী ঐখোয়না তম্নিঙাই য়াম্না লৈবা মীওই অমনি। মহাক্না য়ুনিভর্সেল ওইবা রিলিজন অমদা মীওইবা অসি অমখক্তনি, অচুম্বা অশেংবা হায়বসিনা মীওইবনা চৎকদবা অমত্তা ঙায়রবা লাইনিংনি হায়বসি মীয়াম্না কাউথোকফম থোক্তে হায়না নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকাই লিলাশিং খোঙনাঙখোঙদা লৈবা আধিকারিময়ুম মাইপাকসনা শর্ম্মগী য়ূমদা স্বামী সিবানন্দ ফাউন্দেসন সেন্টর ইম্ফাল অমসুং দিভাইন লাইভ সোসাইতি রিশিকেসনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা স্বামী সিবানন্দগী লৈখিদবগী ৫৬ লক শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়, স্বামী সিবানন্দদা য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোন লৈবা নিংথৌ অমনি।

মহাক্কী ৱাখলদা মীওইবা অসি অমখক্তনি। মীওইবনা মাগী মাগী লাইনিং লাইশোলদা য়ুম্ফম ওইরগা মীওই মশেল মরক্তা অমগা অমগা খায়দোকপগী থৌওং অসি য়ারমখিদে।

মহাক্কী ৱাখলদা মীওইবসি অমখক্তনি। মীওইবনা চৎকদবা লাইনিং অসি অচুম্বা অশেংবা হায়বা মীওইবা অমসুং থৱায় পানবশিংবু নুংশিনবা মীপুম খুদিংমকপু মান্নবা মীৎয়েং অমদা লৈহনবদুনি।মীওইবগী মথক্তা পূম্নমকপু ৱায়েনবা ঙম্বা সুপ্রিম পৱার অমা লৈবগী য়ুনিভর্সেল ওইবা ফিলোসোফি অমখক শন্দোক্লম্মী। মসিগী ৱাখল্লোন অসি পামজে।

মালেমগী ওইনসু অমসুং পীকখ্রবা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু মাগী মাগী ফুরুপগী হায়বা মচু কয়া পুথোক্নরগা নুংশিনা লৈমিন্নগদবা মীওইবা মশেল মরক্তা খায়দোক্লবগী ফিভম অমা লাকপা অসি লাইবক থিবনি।

লাইনিং লোনচৎ অমত্তদা মী খৎনৌ, মী হাৎলু হায়বা কনামত্তনা হায়নদে। মাগী মাগী লাইনিংদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক তৌবদা স্বামী সিবানন্দনা য়ারমদে। ঐগী ঐগী লাইনিং চৎচরবসু মীওইবা হায়বসি অমত্তনি, নুংশিননা, অচুম্বা অশেংবা মশক খঙনা থবক তৌগদবনি। লৈমিন্নরিবা থৱায় পানবা পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা হিংমিন্নরবা মতমদা মালেমদা শান্তি লাক্কনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

### কাঙ মচা কোকফম থমদনবা খঙহল্লি

ইম্ফাল,জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ ককচিং টাউন অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংদা জপানিজ এন্সেফলাইটিসকী কেস খরা থেংনবনা মরম ওইরগা ককচিং ম্যুনিসিপাল এরিয়া অসি হায় রিস্ক জোন ওইনা লৌবগা লোয়ননা কাঙ মচা কোকপা য়াবা মফমশিং থমদনবা অমসুং ওকোনশিংদা মহিক মতাং চংদনবা দিসইনফেক্টেন্টশিং শিজিন্নদুনা শেঙদোক্তুনা তরু তানান্ন থম্নবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী চ্যারপার্সন এন সঞ্জিৎকুমার সিংহনা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুদা মপুং ওইনা পল্লিবা ৱাফমদি মণিপুর ম্যুনিসিপালিতিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ১৫৭গী মখাদা ককচিং টাউনদ লৈরিবা য়ুমশিংগী য়ুম্বুশিংনা মখোয় মখোয়গী য়ুমগী অকোয়বদা গুহাশিং, মখুম কুপ্তবা তেঙ্কশিং, দ্রেনশিং, অমনবা তয়ারশিং, পাত্র অতেক অকায়শিং অমসুং ওককোন য়াওনা শা ষণগী মকোনশিং অসি লুনা নান্না থম্বীদুনা কাঙ মচা কোকপা য়াবা মফমশিং লৈহনবীদনা জে ইগী মহিক পুবা কাঙ অমসুং অতৈ কাঙনা শনেদাকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবা থবক লৌখৎপীনবা ৱাফম পনলি।

মখা তানা মরী লৈনবশিংনা ওককোন মহিক মতাং চেন্দনবা থবক লৌখৎপা অমসুং লুনা নান্না থম্বা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা অমনি হায়না লৌবিয়ু। করিগুম্বা মসিগী থবক অসি পায়খৎপীদবা তারবদি লিগেল ওইবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না পনলিবনি।

# বিষ্ণুপুর এ সি গী লৌফম খরা এম এল এ না ঈশিং ফঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ হন্দক চহীগী নোং মরাং কায়না তাদবনা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসিদা বিষ্ণুপুর এস সি গী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী মীৎয়েং মখাদা অমদি অচংবা শেনফম পুথোক্তুনা বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা লোক্তাক লিফ ইরিগেসনগী মোইরাং লো কেনেল অমসুং ইম্ফাল মেন কেনেলদা ঈশিং থাদদুনা বিষ্ণুপুর এ সি গী লৌবুকশিংদা ঈশিং ফঙহনখ্রে।

মতম খরগী মমাঙদগী মথৌ তৌদনা লৈরম্লবা লোক্তাক লিফ ইরিগেসনগী পম্প হাউস নম্বর ৱানদগী নৌনা ঈশিং থাদদুনা লৌমীশিংদা ঈশিং ফঙহনখিবা অদু পম্প হাউস অসিগী ট্রান্সফোর্মর য়াদবদগী পম্প সেটশিং মথৌ তৌদনা নুমিৎ ১৫/২০ লৈরকপনা মরম ওইরগা মোইরাং লো কেনেল অমসুং ইম্ফাল মেন কেনেলদা ঈশিং মতম খরগী ওইনা ফঙখিদবনি হায়রি। পম্প হাউস নম্বর ৱানগী হেক খা থঙবা ৱাটর সপ্লাইগী ঈশিং চীংফম অসিদগী পৱার হাউস ৩৫ কী পম্পিং সেট অমা খিন্দুনা ফিট ৪৫ ৱাংনা অমদি ফিঠ ৩৫০ শাংনা নৌনা পাইপ লাইন তিংদুনা হৌখিবা জুলাই তাং ২০ দগী ঈশিং অসি থাদদুনা লৌকোলশিংদা ফঙহল্লকখিবনি হায়রি। লৌমীশিংনা য়াদনা লৈরিবা ট্রান্সফোর্মর অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবিনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা আপিল তৌরক্লি।

# নুং–লৈঙোই ফংদবদগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক অয়াম্বা...

*লমায় ১গী মখা...*

শগোলবন্দদা য়ুম শারম্বা বিশ্বর্জিৎ কৌবা মিষ্ট্রি অমনা পাউচে অসিদা হায়, য়ুম্বুশিংনা নুং– লৈঙোই নীংথিনা পীবা ঙমদবদগী শিন্মী কয়া থবক লেপ্পা হৌনবা য়াওরে। মহাক্না শুরিবা মফমদুগীসু লৈঙোই লোইশিল্লকপনা মরম ওইরগা থবক লেপ্লবা খঙহল্লক্লে। য়ূম শাবদগী ফংলকপা খূৎশুমননা ইমুং পুজরিবা মখোয়গুম্বদদি অচৌবা পোৎলুম অমা নম্বরকপগা চপ মান্নরে। শেল পায়বা ইমুং খরদা মপাল লমগী লৈঙোই পীদুনা থবক লেপহনবদদি মশীং করিসু য়াম্লোই। নুং– লৈঙোই ফংদবগী চৈথেং অসিনা শিন্মীশিংগী চাক–খাউসু থদৎপগী ফীভম অমদা লাক্লে। ফীভম অসি লাক্লিঙৈদা লৈঙাক্লা অথুবদা লোনা য়াবা নুং– লৈঙোই পেকফম পীবিরবদি শাফগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

হৈরাঙ্গৈইথোংগী মফম অমদা য়ূম শাবা য়াওদুনা লৈরম্বা চহী ২০ হেন্না শিন্মী ওইদুনা লাক্লিবা টিঐচ রামেশ্বর কৌবা মিষ্ট্রি অমনা পাউচে অসিদা হায়, নুং– লৈঙোই পেকপা অথিংবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা শেমগৎ–শাগৎনবা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা ডিমাপুর অমদি মোরেদগী মমল তাংনা নুং– লৈঙোই লৈনবা অসিনা লমদম অসিগী শেন মীৎলোন অয়াম্বা মীরমদা চৎখনবা অচৌবা মরম অমসু ওইরি। ওইরক্লিবা ফীভম কয়া অসিদা ষ্টেট লৈঙাক অসিনা মফম চাবা খরা তুরেলগী মফম খরা পীবিদুনা নুং–লৈঙোই পেকক্তুনা হিংজরিবা শিন্মীশিং অমদি য়ূমশারোলগী শিন্মীশিংগী পুন্সিদা থেংনরক্কদবা অৱাবা কয়া শাফনবা শেম্বীয়ু নৎত্রবদি শিন্মীশিংগী অচৌবা ঈহৌ লমদম অসিদা থোক্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

## এয়ারপোর্টশিং ...

*লমায় ১গী মখা ..* মখা তাখি, গুৱাহাটি অমদি ইম্ফাল ইয়ারপোর্টকী অনৌবা টর্মিনেল বিল্ডিং শাবা হৌরে। লিলাবারিগী রনৱে কার্পেটিং তৌবা, দিমাপুরগী রনৱে ফগৎহনবা, দিব্রুগর অমসুং বারপানিগী ইয়রপোর্ট ফগৎহনবনচিংবগী থবকসু ইয়ারপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা পায়খৎপা হৌরে হায়খি।

# দাইরেক্তর কে রাজোগী সর্প্রাইজ ভিজিটতা চীফ মেডিকেল ওফিসার ...

*লমায় ১গী মখা...*

ওইনা চৎপনি। হৌজিক স্বাইন ফ্লুগী অনাবা লৈবা, জে ইগী, দেঙ্গিগী অনাবা শন্দোরকপা মতম অসিদা ষ্টাফশিং কাদবা য়াদবনি হায়না হায়নরিঙৈগী চৈরক অসিদা ওফিস কারমদবশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি।

ষ্টাফশিংনা ওফিসতা লৈরমদবা অদু সো কোজ নোটিশ থারবা মতুংদা মখোয়গী পাউখুম অদু য়েংলগা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়খি।

মমাঙদা ইরৈমা ঈশিং ফাবা মতম অদুদা মখোয়গী বি আই এস লাইসেন্স অসি মতম লোইখিদুনা রিনিউ তৌনবা হায়খিবনি। অদুবু মদু লোইরব্রা হায়না চেক তৌবগা লোয়ননা মখা তাবা প্রোসেস লৌখৎনবা ঙসি চৎপা মতমদসু বি আই এস সর্টিফিকেট অদু প্রোসেস তৌরি হায়না লৈরমখি। মখোয়না প্রোসেস তৌরি হায়বসি করি করি তৌরিবনো হায়বদু য়েংশিল্লগা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিগী খোঙচৎ অসিদা সি এম ও, দি এম ও, দি এফ ওগী য়াওনা ফুদ সেফটি ৱিং অদু য়েংশিনবনি। লোয়ননা ফুদ ব্যুজিনেস ওপরেটর ওইরিবা ঈশিং পুথোক্লিবা, শঙ্গোম পুথোক্লিবা ময়াম অসিগী য়ুনিটশিংদসু চত্তুদা য়েংশিনবগা লোয়ননা চৎন কাঙলোনশিং পরম চুম্না চৎনবা, থবক তৌরিবা মীওইশিংগী তোখায়বা ফিরোল হোংদোক হোজিন তৌনবা কা, খুজিল খুয়া নিংথিনা কক্লবা অমসুং তোখায়বা ফিরোলশিং শিজিন্নবা ৱাফম থমখিবনি।

খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা দেজিগনেটেদ ওফিসার ফুদ সেফটি মেদিকেল দাইরেক্টোরেট ইম্ফাল, টি ব্রোজেন্দ্রো খাবনা হায়, ফুদ সেফটি ওঠোরিতি ওফ মণিপুরগী মকোক ওইরিবা দাইরেক্টর ওফ হেল্থ সার্ভিসনা লমদম অসিদা চান্না থরুবা পোৎলমশিং করম্না পুথোক্লি করম্না য়োনলিবগে হায়বদু ৱাকৎলি। পোৎথোক পুথোকপা মতমদা চৎন কাঙলোন ঙাক্না চৎলিব্রা চৎত্রা হায়বদু য়েংশিনবনি।

মীয়াম্না করিগুম্বা পোৎলম অমা চারুবদা নৎত্রগা চিংনবা পোৎয়াওরম্লবদি দাইরেক্টরগী লেভেলদা অমসুং দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা লৈরিবা দেজিগনেটেদ ওফিসার অমসুং ফুদ সেফটি ওফিসারশিংদা পাউ পীবিরগা মদু করি তৌবা য়াবগে হায়বদু চেক তৌখিনবা হোৎনবনি।

অসিগুম্বা খোঙচৎ অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টখক্ত নত্তনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনবগী থবকশিং চংশিনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ফুদ ব্যুজিনেস ওপরেটরশিংনা খঙবা য়াবা ৱাফমদি হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফুদ ফোর্টিফিকেসন হায়বা ওর্দর অমা লাকখিবগা লোয়ননা চিঞাক্তা ৱাৎলিবা ভিটামিনশিং অমসুং মাইক্রো ন্যুর্ত্রিয়েন্টশিং অসি য়ানশিন্দবা য়ারক্তবদগী মদু করম তৌরগা থবক পায়খৎকদগে হায়বা চেক তৌবনি।

ঙসি ৱাই ভি য়ুদা চেক তৌরিবা অসিগী মতুংদা ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দার্দ ওঠোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবু অমা কৌরগা মখোয়দা করম্বা অহেনবা থবক থৌরমশিং তঙাইফদনা তৌরগা য়ুনিটশিং অদু ফগৎহন্নবা করি তৌবা য়াগদগে হায়বা য়েংশিনবগা লোয়ননা ফুদ ফোর্টিফিকেসন তৌদ্রিবশিং অসি তৌনবগীদমক য়েংশিনবা লাকপনি হায়খি।

# ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবী মহৈরোই অমা ২৩ শুবা পোজিসনদা...

*লমায় ১গী মখা ...* তোপ্পরশিং অমসুং পোজিসন হোল্ডরশিংদা বোসেমনা চহী খুদিংগী পীবা তোঙান তোঙানবা মনাশিং য়েন্থোকপদা নৌনা পোজিসন্দা য়াওরক্লে হায়না কোরিজেন্দম থোকখিবী মহৈরোই নুপীমচা অসিদি য়াওখিদ্রে। থৌরম অদু চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্ব বিরেন মশামকসু শরুক য়াখিবনি হায়রি।

ফার্ষ্ট দিভিজন খক্তদা পাস তৌরম্বদগী ২৩ শুবা পোজিসনদা য়াওরক্লবী মহৈরোই অদু ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপালদগী সোইবম মনি অমদি সোইবম ওংবী বিনোতাগী মচানুপী সোইবম দাইনানি। মহাক রোয়েল একাদমি ওফ সাইন্স ৱাঙ্খোগী মহৈরোইনি। মহৈরোই অসি হায়রিবা এগজামিনেসন অসিগী ফল লাওথোরকপা মতমদা অপুনবা মার্ক ৫৩৫ খক্তমক ফঙদুনা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখিবনি। অদুবু মহৈরোই অসিনা মহাক্না ফঙলক্লিবা মার্ক অদু পেন্দবদগী রি স্ক্রুটিনি তৌবা মতমদসু সোসিয়েল সাইন্স সবজেক্টকী হিষ্ট্রি সেক্সনদা মার্ক অমখক্তমক হাপ্লকপা নত্তনা দিভিজনদা অহোংবা লৈতে হায়রকখিবনি। মসিদগী মহৈরোই অসিনা অমুক পেন্দবদগী সাইন্স, সোসিয়েল সাইন্স অমসুং মৈতৈ ময়েক সবজেক্টতা আর টি আই থাবদগী সাইন্স সবজেক্টকী কেমিষ্ট্রি সেক্সনদা মার্ক ৮ অমগসু তিনশিনগদবা ৱাৎলম্বনি। হায়রিবা মার্কশিং অসি হাপচিন্দুনা মমাঙদা অপুনবা মার্ক ৫৩৫ ফঙলম্বদগী নৌনা ৫৪৪ ফঙদুনা ২৩ শুবা পোজিসনদা য়াওরে হায়না বোসেমগী সেক্রেটরীনা কোরিজেন্দম থোরকখিবনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা ৱাঙ্খে নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা মহৈরোই অসিগী য়ূমদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহৈরোই দাইনানা হায়খি, মহাক মহৈতম্বা হৌরকপদগী ট্যুসন হায়বসি করিনো খঙলক্তনা স্কুলদা ওঝাশিংনা তাকপশিং অদুখক্তমক নৈনদুনা অমদি হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুবু চহী অসিগী ওইনা বোসেম্না লৌবা ঐস এস এল সি ইগজামিনেসনগী ফল লাওথোকপদা মহাক পোজিসন য়াওগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। অদুবু মহাক্না ইরল্লিবা অদুগা ফঙলক্লিবা মার্ক অদুগা চান্নদবদগী সবজেক্ট অহুমদা রি স্ক্রুটিনি তৌখি। মদুদা বোসেমগী মায়কৈদগী সোসিয়েল সাইন্সতা মার্ক অমখক হাপ্লকপা নত্তনা দিভিজনদা অহোংবা লৈতে হায়রকখি। মসিদসু পেন্দবদগী অমুক হন্না আর টি আই থারুবদা সাইন্স সবজেক্টতা মার্ক ৮ অমা তিনশিনগদবা ৱাৎলম্বনি।

অসিগুম্বা বোসেমগী চেকশিন্দবা থৌওং অসিনা মহৈরোইশিংদা নিংবা কাইহন্নবগী মচাক অমা ওই। মরম অদুনা তুংদা অসিগুম্বা অশোয়বা অসি য়াওদনবা বোসেম্না চেকশিনবিয়ু হায়খি।

দাইনাগী অপোকপা সোইবম মনিনা ফোঙদোকখিবদা, বোসেম্না শোয়রিবা অসিগী অচুম্বা পুথোক্নবা হোৎনবদা থা ১ রোম হেন্না বোসেমগী ওফিসতা মতম মাঙখি। রি স্ক্রুটিনি তৌবা মতমদা অশোয়বা লৈতে হায়রগা আর টি আই থারুবা মতমদা সোসিয়েল সাইন্সতা মার্ক ১ অমসুং সাইন্স সবজেক্টতা মার্ক ৮ পুন্না মার্ক ৯ তিনশিনগদবা ৱাৎলম্বা অসি লাইবক থিবনি। মসিনা বোসেম্না মতুংদা তৌরকপা থবকশিংদা মীয়াম্না থাজবা ৱাৎপগী মচাক অমা ওইহল্লে। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোক্তনবা হোৎনবিয়ু হায়খি।

# নেস্লেল হায়ৱে বন্দদা গাড়ী ৩ থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (এস এন এস)ঃ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা তুরেলদগী নুঙ–লৈঙোই পেকপা থিংখিবগী মায়োক্তা অপুনবা শিন্মী লূপ অৱাং মাইকৈনা কৌখিবা মতম কক্তবা নেস্লেল হায়ৱে নম্বর ২ (ইম্ফাল–দিমাপুর) লম্বী টোটেল সটদাউন ঙসিদগী হৌখ্রে, গাড়ী অহুম থুগায়খ্রে, টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে।

পাউ অসিনা হায়,অপুনবা শিন্মী লূপ অৱাং লৈকাইনা কৌখিবা মতম কক্তবা নেস্লেল হায়ৱে বন্দ অদুবু শৌগৎলদুনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মীয়াম্না ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী শরুক ওইরিবা সেকমাই কৈথেল মপাদা লম্বী থিংবগী খোঙজং মখল অমত্তগী গাড়ী চৎলহনখিদে।

নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা পুলিসনা ঙাকশেল্লগা দিমাপুররোমদগী লাকখিবা পেসেনজর বস অহুম সেকমাই কৈথেল লাম্থোক্তুনা চৎখ্রবসু ফৈদিঙ্গা কৈথেল য়ৌরকপদা মফমদুদা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিলম্বা নুপা–নুপী পুন্না খোঙজং লোই ৩০০ রোমনা ইরাং হৌরকপা লোয়ননা গাড়ীদুদা নুংনা থোমদুনা থুগায়বা হৌরকখি। মফমদুদা ঙাকশেল্লম্বা সেকুরিটি পার্সোনেলশিংনা মদু তৌদনবা হায়রবসু য়াদবদগী সেকুরিটি ফোর্সশিংগী মাইকৈদগী টিয়ার গ্যাস সেল ১৫ রোম কাপ্লগা খোঙজংলোইশিং অদু তানখায়খি অমদি খোঙজংলোই ৬ অমসু পুলিসনা ফাজিনখি।

তুংদা, পুলিসনা ফাজিনখিবা মীওই ৬ অদু থাদোকউ হায়দুনা নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা সেকমাই কেন্দ্রগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোগী খুরখুলদা লৈবা ময়ূমদা মশীং য়াম্লবা বন্দ শৌগৎপা নুপীশিং থোমজিল্লুবদসু পুলিসনা তানখায়দুনা চংহনখিদ্রে হায়রি।

# লুপা লাক্ষ ১৪. ৭০ গী শেনফম লৌথোক্লগ্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (এস এন এস)ঃ ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিদা য়ূম শানবা থাদরকপা হাউসিং ফোর ওল স্কিমগী পৈশাদগী লুপা ১৪,৭০,০০০ মফম মরাং খঙদনা লৌথোক্লগ্লে হায়না মরাল শীরক্লি।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ৱাঙ্গৈই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর মরি অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা ৱার্দ নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর এল ইবোতোন মৈতৈনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, হৌখিবা ২০১৩ দগী হাউসিং ফোর ওল হায়রিবা স্কিম অসি লাক্তুনা ৱাঙ্গৈই ম্যুন্সিপাল কাউন্সিলগী মীয়ামদা য়ূম শানবা লোন পীদুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা ২০১৮ গী সেপ্তেম্বর থাদা কাউন্সিল অসিগী চিয়ারপার্সন এল আশালাতা দেবী অমসুং মতম অদুদা ইগজিক্যুটিব ওফিসার ওইরম্বা মৈনম রাজেনগা লোয়ননা মফম মরাং খঙদনা স্কিম অদুগী য়াম্লবা লুপা ১৪,৭০,০০০ লৌথোকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরি লৈননা মৈনম রাজেন সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবনি।

অদুম ওইনমক লান্না শেল কাইথোকখিবা অসিগী মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমত্ত মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খঙহন্দনা লৈরি। য়াম্লবা শেনফম অমা মফম মরাং খঙদনা কাইথোকখিবনা মরম ওইদুনা মখা তনা মীয়ামদা লোন পীথনবা শেনফমসু কাইথোকপা য়াদনা লৈরে।

মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অচুম্বা মরী মখোঙ পুথোক্কপিবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবিদুনা মীয়ামদা লোন পীথবা য়াদ্রিবা অসি অথুবা মতমদা য়াহনবিনবা মহাক্না লৈঙাক্কী মায়কৈদা আপিল তৌখি। অদুবু শেল লৌথোকপদা চৈন্নে হায়রিবা মীওইশিং অসিগী অকূপ্পা মরোলদি পাউচে অসিনা মীয়ামদা থম্বা ঙমজদ্রি।

## শজি অমা কনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (এস এন এস)ঃ মনাক নকপা চীংদগী চেম্থোরক্লগা য়ুমদা চেনশিল্লকখিবা সজি অমা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা কনবা ঙমখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইঙৌরোক মখা লৈকাইদা লৈবা কৈশাম সুবোন (৬০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কৈশাম নোংয়াই কৌবা মীওই অমগী য়ূমদা সজি অমা চেনশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সি না লুচিংবা টিম অমা হয়রিবা য়ূম অদুদা চঙশিনদুনা থিবা হুম্বা চত্থখি। য়ূম অদুগী কা অমদা সজি অমা লৈরম্বা থেংনখি।

মতৌ করম্না সজি অদু য়ূমদুদা লৈরল্লিবনো হংবদা, ঙরাং অয়ুক পুং ৮ রোম তাবা মতমদা লৈকাইগী নহা খরনা তান্নরকপদা সুবোনগী য়ূম তম্না চেনশিল্লকপদগী মহাক্না ফারগা মরী লৈনবশিংদা খূৎশিন্ননবা থম্লকপনি হায়না সুবোননা ফোঙদোরকখি হায়রি।

তুংদা সজি অদু নোংপোক সেকমাইগী পুলিস টিম অদুনা পিপল ফোর এনিমেলস থৌবাল ব্রাঞ্চকী টিম অমদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## য়ুরিয়া য়েঙ্হোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ নাওরিয়া পাখঙলাকপা বি জে পি মন্দলগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সি গী মনুং চন্না কোঞ্জেং নিংথৌখোঙজম লৈকাইগী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া য়েঙ্হোকখ্রে।

নাওরিয়া এ সি গী ওইনা লোকেল এম এল এ গী মীৎয়েং মখাদা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্নরিবা লৌফম কয়া পম্প শিজিন্নদুনা ঈশিং পীবগী থবক লেপ্তুনা পায়খৎলি, হার ফঙল্লি। লৌমীশিংনা মীপায়বা পোকপিগনু হায়না মন্দলগী সেক্রেটরী মৈস্নাম রঞ্জিৎনা তম্লকখি। ঙসি কোঞ্জেং নিংথৌখোংজমদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা মায়কৈ অদোমদা লৈরিবা লৌমী কয়াদা হার খূৎশিন্নখি।

তুংদা মৈস্নাম রঞ্জিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, নোংজু থা মতমদা নোং তাবা ৱাৎপদগী লোকেল এম এল এ গী মীৎয়েং মখাদা এ সি অসিদা লৈরিবা লৌফমশিংদা ৱাইশেল মরিল, নম্বুল তুরেল অমদি মেরা খোঙদগী পম্প শিজিন্নদুনা ঈশিং পীরি। মসিগী মথক্তা লোকেল এম এল এ না তক্লবদগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা এ সি অসিগী ওইনা হার বেগ লিশিং অনী পীরকখ্রে লোয়ননা মোংশাঙ্গৈ জি পি, কদোমপোকপী জি পি, লাইরেঞ্জম জি পি, লংথবাল নিংঙোম্বম জি পি, হিয়াথাং অমদি মালোম জি পি দা হার ফঙহনখ্রে। এ সি অসিদা লৈরিবা লৌফমশিংদা পুন্না হার বেগ লিশিং ৪ তঙাইফদে। ৱাৎহৌরিবা হারশিং অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমদা পীবিরবদি মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা লৌমীশিংগী য়াম্না নুংঙাইবা ওইগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# পেট্রিওটিক শোং অমসুং রিসাইটেসন কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনিঃ জে এস সি সি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (এস এন এস)ঃ আগষ্ট ১৩ অসি পেট্রিয়োট দে হায়না চহিগী খুদিংগী ওবজার্ব তৌদুনা লাক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা জোইন্ট ষ্টুদেন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে এস সি সি)না শিল্লগা পেট্রিয়োটিক শোং অমসুং রিসাইটেসন কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী কনভেন্নর পিটর লাইশ্রমনা ফোঙদোকখ্রে।

হিরসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল দি এম কোল্লেজগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা পিটর লাইশ্রমনা হায়, আগষ্ট ১৩গা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা পেট্রিয়োটিক শোং অমসুং রিসাইটেসন কম্পিটিসন অদু মহৈরোই লূপ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এমসু), মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদেরেসন (এম এস এফ), কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন অমদি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক অপুনবা লূপ জে এস সি সিনা শিল্লগা থা অসিগী ৮দা ইম্ফাল কোল্লেজগী মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্কদবনি।

কম্পিটিসন অসি ওপন কেটেগোরিদা পাঙথোক্কদবনি। কম্পিটিসন অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবিয়ু। কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম এমসু, এম এস এফ, কে এস এ অমদি সুককী ওফিসতগী ফংবীগনি হায়খি।

অমরোমদা, মরিপুর ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পিখ্রবা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থঙ্গাল জেনরেল অমদি পুখ্রম্বম কেজাওবু নিংশিংদুনা চহি খুদিংগী লমদমসিগী মীয়াম্না আগষ্ট ১৩দা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা পেত্রেয়োটিক দে থৌরম অসি জে এস সি সিনা শিল্লগা ইম্ফাল কোল্লেজ মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্লগনি। মসিদা মীয়াম্নসু শরুক য়াবিয়ু। অমদি মণিপুরদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটি য়াওনা কোল্লেজশিং অমদি স্কুলশিংনসু অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপিয়ু হায়না মহাক্না অপিল তৌখি।

# সি বি আই গী ইনক্বারি মতম লাওথোক্কদবনি ঃ এস এস য়ু এম

ইম্ফাল, জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ মহৈরোই বেবিসনাগী মীশিগা মরী লৈননা সি বি আই না পায়খৎক্কদৌরিবা ঈনক্বারিগী মতম অকক্লবা অমা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়না সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম য়াইমা মৈতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি বেবিসনাগী কেস সি বি আই দা শিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, এস এস য়ু এম না বেবিসনা মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সি, মহৈরোই লূপশিং অমসুং লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা মীশি অসিগী লংলা লংজিন অমদি অচুম্বা পুথোক্তুনা লাক্লি। মীশি অদুগী ইনক্বারি অমসুং পোষ্ট মোর্টেম অনীরক হন্দুনা ইগজামিনেসন তৌনবা লৈঙাক্কী ৱারেপ অদুনা মীশি অদুদা চেন্নবশিং ফাদুনা অচুম্বা পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা থোকখিবা মীশি মীনা কয়াগী ইনক্বারি সি বি আই দা শিন্নবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক ইনক্বারি মতম য়াম্না শাংনা লৌদুনা অচুম অরান পুথোকপদা থিহ্দুনা লৈরি। মরম অসিনা বেবিসনা মীশিগী সি বি আই দা শিন্নখিবা ইনক্বারিগী অকক্লবা মতম অমা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। মসিনা অচুম্বা পুথোকপা মতম চঙহনবা অমসুং মরাল লৈবশিং চৈরাক পীবা ঙম্লগনি।

লোয়ননা করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা ইনক্বারি অদুগী অকক্লবা মতম অমা নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনদ্রবদি এস এস য়ু এম না লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# অনী থোক্লিবা টি দি সিগী থৌমীশিং নুমিৎ ৩ গী মনুংদা লাক্কদবনিঃ ইপসা

ইম্ফাল,জুলাই ২৬(এস এন এস)ঃ ড্রাইভর অমদি ট্রান্সপোর্টরশিংগী থৱাই ওইরিবা ট্রান্সপোর্টর এন্দ ড্রাইভরস কাউন্সিল (টি দি সি), মণিপুরবু ফাগী তাহনবা য়াওবা মওংদা টি দি সি অনী থোক্লকপা অসি ইন্টর্নেস্নেল পিস এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (আই পি এস এ) না তরাইনা লৌদে। ঙসিদগী নুমিৎ ৩ নিগী মনুংদা টি দি সিগী কাঙলূপ অনীমক্কী মরী লৈনবা থৌপুবশিংনা কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈকাইদা লৈবা আই পি এস এগী ওফিসতা লাক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না আই পি এস এগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ৱাইখোম রবিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম কৈশাম্পাৎ অহৈবম লৈকাইদা লৈবা আই পি এস এগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা রবিনা মখা তানা হায়, অনৌবা কাউন্সিলসু লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবা পাল্লমগনি। অরিবা টি দি সিসু লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌরিবা কাউন্সিলনি। আই পি এস এনা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা মীচঙ–মীখাই নাইবগী ৱাখল্লোন থমদে। মণিপুরগী সি এস ওশিং ফাওবা অমত্ত ওইনা পূনশিন্নরগা থবক তৌবিরো হায়দুনা মীয়াম্ন খোল্লাউ লাউরক্লবা মতমনি। অসিগুম্লবা মতমসিদা টি দি সি অনী তোক্লগা রেজিষ্টার তৌনরকপসি লৈবা মীয়ামগী মমাঙদা ইকায়নিঙইহনি। মাগী–মাগী মীচঙ–শঙ্গা খোন্নবা খুদক্তা তোকপীয়ু।

ঐখোয়গী লৈবাক অসি করম থোক্কদগে হায়বগী অৱাবা মরক্তা আই পি এস এনা নোংমা কাঙদনা মীয়ামগা পূন্না লৈবাক্কী য়াইফনবা থবক তৌরি। অসুক য়ান্না ৱানরবা তানফম অসিদা মীচঙ খোন্নদুনা ঐখোয় মশেল মুক্লগদবা মতম নত্তে। পূন্না অফ–ফত্ত তান্নদুনা থবক তৌগদবা মতমনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হান্নদগী হৌনা মীয়ামগা হকথেংননা খূৎশন্ননা চৎমিন্নরিবা টি দি সিবু করম্বা ৱাখলদা লান্না উহন্নবা অনৌবা কাউন্সিলনা হোৎনরিবনো? অনৌবা কাউন্সিল লিংখৎতুনা টি দি সিগী মমিং ট্রান্সপোর্টরস এন্দ ড্রাইভরস কাউন্সিল, মণিপুর হায়রিবা মিং অসি শীজিন্নদুনা রেজিষ্টার ওফ কো–ওপরেটিভ সোসাইটি, মণিপুরদা রেজিষ্টর তৌগে হোৎনরিবা কাউন্সিল অসি আই পি এস এনা লৈবাক মীয়ামগী য়েংলগা মশক খঙবা পামদে।

এপেক্স বোদি ওইরিবা টি দি সি মুখৎপা আই পি এস এনা য়ানিংদে মরমদি টি দি সি হায়বসি হান্না মমিং লৈজরবা মীয়ান্না মশক খঙলবা কাউন্সিলনি। কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা মীওই খরনা অনৌবা কাউন্সিল অমা লিংখৎকে হায়রবদি মীনা তৌরিবা থবক তাদুনা খূৎ থিংজিনদবা লোয়ননা লূপকী পান্দম মান্নদবা মওংদা থবক তৌবগী হৈনবী অমা থম্বনা খ্বায়দগী অফবা লম্বীনি হায়নসু মখা তাখি।

মীফম অদুদা আই পি এস এগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন তোম্বীসনা মঙাং অমদি সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ২ দব্লিউ বসন্টসু শরুক য়াখি।

## লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখ্রবা লান্মীশিং...

*লমায় ১গী মখা...*

লৈরোই। নুমিৎ ৭৯ নি চঙনা চত্থখিবা ওপরেসন ভিজয় অদুদা য়েক্লবা পাকিষ্টান লান্মীশিংবু মায়থীবা পীখিবনি। থৌনা ফরবা লান্মীশিংনা থৱায় পাম্মুবা লৈতনা লাম্থেংনরবা মতুংদা লানঙম ফিরাল পায়হনখিবনি। লানফমদুদা মখোয়না থেংনখিবা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া অদুবু মায়োক্নদুনা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাকখিবনি। ঙসিসু ইন্দিয়ান লান্মীনা দেসেষ্টকী শরাক মফম অমদি খম থেংনা ইংলবা মফমদা অৱাবা কয়া খাঙদুনা হোৎনরিবা অসি ঐখোয়না থৌনা পীজগদবনি। কার্গিল মতমদা মখোয়না লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু পুৱারীদা মশক থোক্লা লৈহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কার্গিল ভিজয় দিবাসকী থৌরমদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যাম, সেকমাই এ সিগী এম এল এ দিঙ্গো অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসারশিং অমসুং মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ডা. সুরেশ বাবুসু শরুক য়াখি।

নাকল অমরোমদা কাঞ্চিপুরদা লৈবা টেম্পল ওফ লার্নিং স্কুলদা অসাম রাইফওসকী ৬ শুবা বাট্টালিয়ননা শীন্দুনা কার্গিল ভিজয় দিবাস থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা অসাম রাইফলসকী ৱাঙাংলোইশিংনা কুমজা ১৯৯৯ দা ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টানগী মরক্তা থোকখিবা লান অদুদা ইন্দিয়ান আর্মিনা লৌ–খবা থৌদাং কয়াবু মরিক চুম্না লিদুনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংদা খঙহনখি। ভিডিও প্রজেন্টেসন কয়াসু উৎতুনা মহৈরোইশিং অদুদা লানফম অদুগী মতাংদা হেন্না শনেদাক্লা তাকখি।

মহৈরোইশিংগী পেন্টিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া আর্মিনা লানফম অদুদা শীজিন্নখিবা তোঙান তোঙানবা খূৎলাই কয়াসু পুথোক্তুনা মহৈরোইশিংদা য়েংহনখি হায়রি।

## নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ৱার্কসোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫(এস এন এস)ঃ ইন্টিগ্রেটেদ দিজিস সরভিলেন্স প্রোগ্রামদা ইন্টিগ্রেটেদ হেল্ঠ ইনফোর্মেসন প্লেটফোর্ম অসি মতৌ করম্না শিজিন্নগদগে হায়বা হিরম অসিদা ষ্টেটকী থাক্তা নুমিৎ নীনি চত্থগদবা ৱার্কসোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাংদগী ইন্টিগ্রেটেদ দিজিসস সরভিলেন্স প্রোগ্রাম (আই দি এস পি), এন ঐচ এম মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী অকাম্পাৎতা লৈবা নাইলিটতা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা ইন্টিগ্রেটেদ দিজিসস সরভিলেন্স প্রোগ্রামগী ত্রেনিংশিংদা পীবা ত্রেনিং প্রোগ্রামনি।

## বেবিসনাগী হকচাং অমুক হন্না পোষ্ট মোর্টেম ...

*লমায় ১গী মখা ...* এসিষ্টেন্স টিচর আর কে ওপেন্দ্রনা হায়, থা অসিগী ১৮দগী অয়ুক অঙনবা স্কুল অসিগী মহৈরোই বেবিসনা লৈখিদবসি লাইবক থিবা থৌদোকনি। মহাক লৈখিদবা অসি স্কুলগী মাইকৈদগী থম্মোই শোক্লা নুঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং–মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজরি।

মহাক্না হায়, বেবিসনাগী মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা–লংজিল পুথোকপিনবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা ইহৌ চঙশিন্নরক্লি। মীয়াম্না চঙশিল্লক্লিবা ইহৌ অসিদা স্কুলগী মায়দৈগীসু অঙম্বা মতেং পাঙজগনি।

ঙসি ৱাকৎ মীফম চত্থজরিবা স্কুল অসিগী টিচিং অমদি নন–টিচিং ষ্টাফশিংনা দিমান্দ তৌজরিবদি মীশি অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা লৈঙাক্না সি বি আইদা শিন্নরে হায়বসু লৈরবনিনা অথুবা মতমদা অচুম্বা লংলা–লংজিল অদু পুথোকপিদুনা মীয়ামদা লৈরিবা চমম্মনবা অমদি তংদু লৈতাদবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।